## তরুকশুবা চহী চাদা কায়খিবা জহাজ থেংনরে

নিকোসিয়া, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
সাইপ্রসকী খা থংবা সমুদ্র মপান মনাক্তা সেরামিক পোট মশিং য়াম্না য়াওরবা মমাংঙৈগী মতমদা কায়খিবা জহাজ অমা থেংনরে হায়বসি দিপার্টমেন্ট ওফ এন্টিক্বিটিজগী ওফিসল অমনা থাংজ নুমিত্তা কনফার্ম তৌখ্রে। ঈশিং মনুংদা অকায়বা জহাজ মনুংদা য়াওরল্লিবা থোং থাক্লবগী সেরামিক পাত্রা ময়াম অদু তরুকশুবা নৎত্রগা তরেৎশুবা চহী চা লোইশিল্লকপা মতমগীনি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইপ্রসগী সেরামিক্স এক্সপার্ট ষ্টেলা দেমেষ্টিচানা ফোঙদোকখি।

## এন্টি-টেরর ওপরেসন

অঙ্কারা, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
টর্কিনা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা এন্টি-টেরর ওপরেসন অমা পাক শন্না হৌখ্রে হায়না টর্কিস ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ওপরেসন অদুদা স্পেসল পুলিস ফোর্সশিং অমসুং জেন্দরমেরিক কম্মান্দোশিং য়াওনা পুন্না পর্সনেল ২,২৫০না শরুক য়াখি হায়রি।

# ইরাক্তা প্রোটেষ্ট লেপ্তনা চত্থরি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কাপ্পদা প্রোটেষ্টর মঙা শিরে



বস্রা, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদ অমসুং লৈবাক অসিগী খা থংবা লমদমগী সিটি খরদা হৌজিকসু প্রোটেষ্ট লেপ্তনা চত্থদুনা লৈবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী খা থংবা লমদমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টরশিংদা নোংমৈ কাপশিনবদা য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিরে অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিস অমসুং মেদিকেল সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা অহিংদা সিটিগী থোং অহুমদা প্রোটেষ্টর কয়া পুনখিবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয়বু তানখায়নবা হোৎনবদা লাইভ রাউন্দ কয়া কাপ্পগা লোয়ননা টিয়ার গ্যাস সেলশিংসু কাপখি। থৌদোক অদুদা মীওই ৩ শিখি হায়না পুলিস অমসুং হোস্পিটাল সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

মখোয়না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পুলিসকী এক্সন অদুদা মরু ওইনা লাইভ বুলেটশিং অমসুং টিয়ার গ্যাস সেলশিংনা পানবদগী অতৈ মীওই ৫০ হেন্না অশোক-অপন নংখি।

ইরাক্কী বস্রা সিটি মনাক নক্লা গল্ফতা লৈবা মরু ওইবা হিথাংফম উম কসরদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টরশিং তানখায়নবা হোৎনবদা লাইভ রাউন্দশিং কাপখিবা মতুংদা মীওই ২ অমগসু শিরমখি অমসুং অতৈ কয়া অমনা অশোক-অপন নংখি। হোস্পিটাল সোর্সশিংনা শিরিবশিং অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অশেংবা নোংমৈ মরু কয়া কাপ্পদগীনি হায়না পল্লদুনা অশোকপা খরগী ফিভম লুরি হায়খি।

প্রোটেষ্টরশিংবু হিথাংফম অদুগী চঙফম য়ৌহন্দনবা হোৎনরদুনা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা হিথাংফম টাউন অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা লম্বীশিং থিংজিন্দুনা থম্লিবদু হাংনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা দিমান্দ তৌনবগীদমক প্রোটেষ্টরশিং অদু মফম অদুদা পুনখিবনি। উম কসর অসি ইরাক্কী খ্বাইদগী চাউবা কম্মোদিটিজ পোর্টনি হায়রি।

# ইষ্টর্ন কোঙ্গোদা য়ুম্লক্তা প্লেন কায়বদা মীওই ২৪ শিরে



গোমা, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
নোংপোক থংবা দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী গোমা সিটিগী মী কুংনা তাবা মফম অমদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা প্লেন অমা তানশিন্দুনা কায়খিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবা মীওই ২৪ শিরে হায়না প্রোভিন্সিএল লোমেকর অমা অমসুং রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্লেন অদু রনৱেদগী পাইখৎখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা কায়খিবনি হায়রি। লোকেল কম্পনি বিজি বিনা ওপরেট তৌবা এয়রক্রাফট অদু গোমাগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২৫০ রোম লাপ্না লৈবা বেনি সিটি তম্না পাইবগী লম্বীদা লাইবক থিরবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না নোর্থ কিভুগী গভর্নর কালি নজানজু কাসিভিতাগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা বিজি বিগী ওফিসল অমনা হায়খি, সীট ১৯ গী দোর্নিয়র ২২৮-২০০ অদু ক্রু ২ অমসুং পেসেঞ্জর ১৬ তোংলগা পাইখিবনি। প্লেন অদু পোকখায়দ্রিঙৈগী মমাংদা মীওই ২ রেস্ক্যু তৌখি অমসুং গ্রাউন্দদা লৈবা মীওই কয়া শিখিবগে নৎত্রগা শোকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদে হায়রি।

# ইরান্না ঈরাং থোকহন্নবা শীনবা রিজনেল ষ্টেটশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে



দুবাই, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
ইরানদা হন্দক্তা থোকখিবা ইরাংদা রিজনেল লৈবাকশিংনা খুৎ থিংজিনখি হায়বসি প্রুভ তৌবা তারবদি লৈবাকশিং অসি অরুবা ফিভম কয়া মায়োক্লরকপা য়াই হায়না ইরানগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঈশক জহাংগিরিনা থাংজ নুমিত্তা চেকশিনৱা হায়খ্রে।

ইরানদা ইরাং থোকহন্নবা গল্ফকী লৈবাক খরনা খুৎ থিংজিনবগী থৌওং চত্থখি হায়বগী লংলা-লংজিনশিং ফংবা থোক্লবদি লমদম অসিগী অসিগুম্বা লৈবাকশিং ইকোম কোম্না নুংঙাইনা লৈথোকপা য়ারোই হায়বসি খঙজিনগদবনি হায়না জহাংগিরিগী ৱারোল পল্লদুনা সেমি-ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি ফার্সনা ফোঙদোকখি।

পেট্রোলগী মমল হেনগৎপগা লোয়ননা চাং তম্না ফংহনবগী খোঙথাং অমা লৌখৎলুবদগী ইরানদা চহী ১০ মুক্কী মনুংদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিরবা মীয়ামগী ইরাং অদুগা মরী লৈননা টেহরান্না মপান্দা লৈরিবা ফত্তবা ৱাখল চেনবা ইরানিয়নশিং অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইজরেল, সাউদি অরাবিয়াগুম্বা য়েক্লবশিংদা মরাল থংজিনখিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা ইরান্না মালেমগী পৱারশিংগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী ৱাশিংটন্না ৱিথদ্রো তৌখিবা মতুংদা য়ু এসনা টেহরানগী ইকনমি ফেল ওইহন্নবগীদমক্তা নৌহৌননা অথিংবা কয়া থমখিবদা, ইস্লমিক রিপব্লিক অসিগী রিজনেল রাইভেল সাউদি অরাবিয়া অমসুং মতম শাংনা য়েক্লদুনা লাক্লবা ইজরেলনা য়ু এসকী খোঙথাং অদুবু ফোংনা শৌগৎখিবনি। চৈরকসিদা পুলিসনা ইরাং অদুগী রিং লিদর ১৮০ ফাজিন্দুনা থল্লে হায়না ষ্টেট টিলিভিজন রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

রেভোল্যুসনরি গার্দসনা প্রোটেষ্টশিং অদুগী লিদর ১০০ রোম ফারে হায়না ইরাই নুমিত্তা জ দিসরিনা ফোঙদোকখি। দেমোনষ্ট্রেটর ১০০০ রোম ফারে হায়না চয়োল অমমুক্কী মমাংদা ইরানিয়ন মিদিয়ানা ফোংবসু লৈখ্রবনি। ইরানদা হন্দক্তা উবা ফংখিবা অকনবা ইরাংশিং অদু এন্টি-রেভোলুস্যনরি গ্রুপশিং অমসুং অমেরিকাগী ইন্টলিজেন্স সর্ভিসেসকী মীওইশিংনি হায়না কের্মনসাহদা রেভোলুসনরি গার্দসকী কম্মান্দর বাহমন রেহানিনা ফোঙদোকখি।

# হোং কোংগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন্দা ভোটর মশিং য়াম্না ভোট থাদনখ্রে

হোং কোং, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
হোং কোং সিটিগী লিদর কেরি লামবু শৌগৎপগী চাংগী নাপচৈ অমনি হায়না লৌনবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সনসতা রেকোর্দ ওইবা মওংদা সিটি অসিগী মীয়াম্না ভোট থাদনখ্রে। থা ৬ চুপ্না প্রো-দেমোক্রেটি প্রোটেষ্টশিং লেপ্তনা চত্থরকখিবগী থৌওংনা সিটি অসিগী মীয়ামগী ৱাখলদা ইথিল পীবগা লোয়ননা মীখল অসিদা রোকোর্দ ওইবা মওংদা ভোট থাদনখিবনি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ইলেক্সনগী কেন্দিদেটশিংদা শাথিরবা এটেক কয়া চত্থখিবগী থৌদোকশিংনা চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিগী গভর্নমেন্টকী খ্বাইদগী নেম্বা থাক্কী মরোল অসিগী মীখলনা মালেম পুম্বগী মীৎয়েং চিংশিনখি হায়বা য়াই। সিটি অসিগী লিদর কেরি লাম দেমোক্রেসি মপুং ফানা চৎনহন্নবগী অকনবা দিমান্দশিং মায়োক্লদুনা লৈরিবনি।

লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবগী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ২.১দগী হেনবনা ভোট থাদনখি হায়বসি গভর্নমেন্ট দেতানা উৎখি। মতমদু ফাওবগী ভোট থাদনবগী চাং চাদা ৫২নি। চহী ৪ গী মমাংদা পাঙথোকখিবা মমাংগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সনদদি হায়রিবা মতম অসি ফাওবদা মীওই মিলিয়ন ১.৪৭না ভোট থাদনখি। পুলিস মরাং কায়না দিপ্লোই তৌবগী মওংসু উবা ফংখিদে হায়রি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী মিং লী কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট মীখলদা মীয়াম্না মশিং য়াম্না থোক্লক্তুনা ভোট থাদনরিবা অসিনা মীখল অসিদা সীট খরা ফংননবা হোৎনরিবা প্রো-দেমোক্রেসি কেম্পদা কান্নহল্লগনি হায়না মহাক্না থাজে।

মখোয়না টার্গেট তৌরিবা সীটশিং অদু মতম অমদা কন্টেষ্ট তৌখিদবা অমসুং প্রো-বৈজিং কেন্দিদেটশিংনা দোমিনেট তৌখিবশিংনি। ভোট অসিনা প্রো-ইষ্টাব্লিসমেন্টতা চৈথেং ফংহন্দুনা প্রো-দেমোক্রেসিগী মীহুৎশিং হেন্না মায় পাকহল্লকনি হায়বগী থাজবা লৈ। সোসল প্রোব্লেমশিংনা মীয়াম্বু ভোট অসিদা পুক্লিং থৌগৎহলি অমসুং পোলিটিকেল ইশ্যুশিংদা মীৎয়েং থমহল্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সর্ভিস ইন্দষ্ট্রিদা থবক তৌবা মীশক অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা টসজনা হায়খি মদুদি, ভোটরশিংগী মশিং শীংথানিংঙাই ওইনা য়াম্না থোক্লক্লিবা অসিনা মীয়ামগী ফিরেপ অদু উৎচরে। হৌখিবা থা খরা অসিদা মীয়ামগী এন্টি-গভর্নমেন্ট রেলি খরা শীন লাংখিবা সিভিল হ্যুমেন রাইটস ফ্রন্টকী কেন্দিদেট অমা ওইরিবা জেমি সামবু হৌখিবা ওক্তোবরদা নুঙথং পায়বা মীওই খরনা ফুদুনা লংথোক্লম্বগী থৌদোক লৈখ্রবনি।



# ইমরান খানগী পার্টিদা মপান্দগী ফন্দিং তৌবগী কেস থিজিন্নবা পাকিষ্টানগী ঈ সীদা তকশিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টান টেহরিক-ঈ-ইন্সাফ (পি টি আই)গী মায়োক্তা ফোরেন ফন্দিং কেস অমা ফাইল তৌখিবা পার্টি অসিগী দিসিদেন্ট ফাওন্দিং মেম্বর অকবর এস বাবরনা অতোপ্পা এপ্লিকেসন অমসু ফাইল তৌদুনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিষ্টান (ঈ সী পি)না হীরম অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা দিমান্দ থৌখ্রে।

কেস অসিগী মতাংদা স্ক্রুতিনি কম্মিটি অমনা থিজিনহনবগী মহুত্তা কম্মিসন অসিনা ওইনা থিজিন্নবা মহাক্না তকশিনখিবনি। খোঙথাং অসি ইমরান খানগী পার্টিগী মায়োক্তা লৈরিবা চহী ৫ শুরক্লবা ফোরেন ফন্দিং কেসকী হীয়ারিং নুমিৎ খুদিংগী চত্থনবা ঈ সী পিনা ৱারেপ লৌখিবা মতুং নুমিৎ হুম্নি লৈরগা লাক্লিবনি। থাংজ নুমিত্তা ঈ সী পিদা থাজিনখিবা চেনা ৬কী এপ্লিকেসন অদুদা বাবরনা পি টি আইবু স্ক্রুতিনি কম্মিটিনা পাঙথোক্লিবা প্রোসিদিংস থিন্থহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি।

পি টি আইগী বেঙ্ক একাউন্টশিংগা মরী লৈনবা স্ক্রুতিনি কম্মিটিনা পায়রিবা রেকোর্দশিং লৌশিন্নবা অমদি কেস অসিবু হকথেংননা য়েংশিনবিনবা মহাক্না ঈ সী পিদা হায়জখি।

পি টি আইনা মখোয়গী মীটিং ৪২ দা স্ক্রুতিনি কম্মিটিদা ওথেন্টিক রেকোর্দশিং পুথোকখিবা লৈতে হায়নসু বাবরনা ক্লেম তৌখি। হীরম অসিগী মতাংদা ঈ সী পিনা হীয়ারিং ৭ পাঙথোকখ্রে অমসুং কম্মিটিগী দিরেক্টিভ ১৬ খানগী পার্টিনা থৌশাখিদে হায়না মহাক্না মখা তাখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী নবেম্বর ১৪ দা বাবরনা ফাইল তৌখিবা ফোরেন ফন্দিং কেস অদুদা পি টি আইনা দোলর মিলিয়ন ৩ লোম ওইগদবা ইলিগেল ফোরেন ফন্দশিং ওফসোর কম্পনি অনীগী খুত্থাংদা ফংখি অমসুং শেনফম অদু মিদল ইষ্টতগী হুন্দি চেনেলশিং শীজিন্নদুনা পি টি আই ইমপ্লোয়ীশিংগী একাউন্টশিংদা থারকখি হায়না মরাল শীখিবনি।

# রোহিঞ্জা কেস লৈবাক্কী ইন্টরেষ্ট ৱাংনা লৈবা ৱাফম্নি : ম্যান্মার



য়াঙ্গোল, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারনা হায়খ্রে মদুদি, জেনোসাইদকী ক্রাইম থিংবা অমসুং ক্রাইম অসি চত্থবা মতমদা চৈরাক পীবগী ৱাফম শেংনা পল্লিবা কুমজা ১৯৪৮দা য়ানখিবা মালেমগী কনভেন্সন অমগী প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনবগী মরালদা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা গাম্বিয়ানা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা ফাইল তৌখিবা কেস লৈবাক অসিগী অচৌবা নেসনল ইন্টরেষ্টকী ৱাফম্নি।

থাংজ নুমিত্তা কেপিটেল নেপিটোদা পাঙথোকখিবা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা ষ্টেট কাউন্সিলরগী ওফিসকী মিনিষ্টর য়ু চো তিন্ত স্বে অমসুং ইন্টরনেসনল কোওপরেসনগী মিনিষ্টর য়ু চো তিননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

সীনহুৱাগী ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না গম্বিয়ানা থাংগৎখিবা কেস অদুবু কন্টেষ্ট তৌনবা ম্যান্মারনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা লিগেল এক্সপার্টশিংগী সর্ভিসশিং শীজিন্নরি। আই সী জেদা কেস অদুগা মরী লৈনবা হীরম খুদিংমক্তা ম্যান্মারবু রিপ্রজেন্ট তৌগদৌরিবা ষ্টেট কাউন্সিলর ওং সান সু চিনা এজেন্ট অমা ওইনা থবক তৌগনি অমসুং য়ু চো তিন্ত স্বেবুনা ওল্টরনেট এজেন্ট হাপলে হায়না মিনিষ্টর অনী অসিনা ব্রিফিং অদুদা ফোঙদোকখি।

রখাইন ইশ্যুগী মতাংদা আই সী জেদা ম্যান্মারগী নেসনল ইন্টরেষ্টশিং দিফেন্দ তৌনবগীদমক্তা ওং সান চিনা লুচিংবা লিগেল টিম অমা নেদরলেন্দগী হেগতা চৎলগনি হায়না গভর্নমেন্টনা শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখিবনি।

ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতগী ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবা মীওইশিংগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা আই সী জেদা গম্বিয়ানা ওর্গনাইজেসন ওফ দ ইস্লামিক কোওপরেসন (ও আই সী)গী মহুৎ শীন্দুনা এপ্লিকেসন অমা সবমিট তৌখিবনি। পনবা য়াই, ম্যান্মারনা এক্সট্রিমিষ্ট টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা অরাকান রোহিঞ্জা সালভেসন আর্মি (অরসা)না কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্ট ২৫ দা রখাইন ষ্টেটকী পুলিস আউট্পোর্টশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না এটেক তৌখিবা মতুংদা লৌখৎলকখিবা মিলিটরি কেম্প্যেনদা মশিং য়াল্লবা মীওইশিং য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশতা চেন্নখিবনি।

# মেক্সিকোনা য়ু এসতা ট্রেদ দিলগা পোলিটিক্সকা তোংশিন্নদনবা হায়খ্রে



মেক্সিকো সিটি, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
মেক্সিকোগী প্রসিদেন্ট অন্দ্রেজ মেন্যুএল লেপেজ ওব্রাদরনা য়ু এস লেজিসলেটরশিংদা লৈবাক মনুংগী ওইবা পোলিটিকেল ইশ্যুশিংদা নৌনা অমুক য়ানরবা নোর্থ অমেরিকান ফ্রী ট্রেদ এগ্রীমেন্ট রেটিফিকেসন তৌবগা তোংশিন্নদনবা তকশিনখ্রে।

ঐখোয়না পার্টি অনী - রিপব্লিকান্স অমসুং দেমোক্রেটসকী লেজিসলেটরশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ঐখোয়দা মতেং পাংবিনবা অমসুং ট্রিটি অসিগী এপ্রুভেলগা ইলেক্তোরেল পোলিটিকেল ইশ্যু অমগা য়ানশিন্নদনবা হায়জরি হায়না ইরাই নুমিত্তা প্রসিদেন্ট ওব্রাদরনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনগী রিপোর্টনা হায়খি।

মহাক্না কনাদা, য়ু এস অমসুং মেক্সিকোগী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, ট্রিটি অদুগী ওইনদি লৈবাক অহুম অসিগী মীয়ামগী মরক্তা হান্নদগী হেন্না য়ানিংবগী ৱাখল চেল্লি হায়না ঐহাক্না থাজে।

পোলিটিকেলগী ওইবা খেন্নবশিংনা মেক্সিকো-য়ু এস-কনাদা ট্রিটি (টি-এম ঈ সী)দা অকায়বা থোকহনবা হায়বসিনা লমদম অসিগী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংদা শোয়দনা চৈথেং নংহনগনি হায়না প্রসিদেন্ট ওব্রাদরনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২০ দা য়ু এস প্রসিদেন্টকী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অমদি প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকী মায়োক্তা ইম্পিচমেন্ট ট্রায়েল অমা চত্থরকপা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম অমা লৈবনা মরম ওইদনা মথং চহী ফাওবা মখা তানা প্রোসেস চত্থবা তারবদি টি-এম ঈ সী রিটিফাইদ তৌবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপা য়াই হায়না য়ু এস রিপব্লিকান পার্টিগী লেজিসলেটরশিংনা অকিবা ফোঙদোকখিবনি।

অদুমওইনমক য়ু এস কোংগ্রেসনা চহী অসিদা ট্রিটি অদুগী মতাংদা ভোট লৌনবা য়াই হায়না শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এস হাউস স্পীকর নেন্সি পেলোসিনা ফোঙদোকখি।

টি-এম ঈ সী এগ্রীমেন্ট অসিগী পান্দমদি কুমজা ১৯৯৪ দা চৎনবা হৌখিবা নোর্থ অমেরিকান ফ্রী ট্রেদ এগ্রীমেন্টকী মহুৎ শীনবনি। এগ্রীমেন্ট অসি চৎনহন্নবগীদমক্তা টি-এম ঈ সীনা লৈবাক অহুম্মক্কী লেজিসলেচরশিংগী এপ্রুভেল চঙই।

# সী পি ঈ সীনা পাকিষ্টানদা থবক মরাং কায়না ফংহল্লগনি



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সি) :
চাইনা-পাকিষ্টান ইকনমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী)গী অনীশুবা ফেজগী মখাদা পায়খৎপা ইন্দষ্ট্রিগী লমদা কোওপরেসন পীনবগী থবক থৌরম কয়ানা পাকিষ্টানগী ইমপ্লোয়মেন্ট সেক্তরদা তুং কোইনা চাওখৎপগী ফিভম অমা লৈহল্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্লান্নিং, দিভলপমেন্ট অমসুং রিফোর্মগী মিনিষ্টর অসাদ উমারনা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা মহাক্কী মিনিষ্ট্রি চার্জ পায়বা হৌখিবা উমারনা থাংজ নুমিত্তা কারাচিদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি মদুদি, অহানবগী ওইনা লৈবাক শিন থুংনা স্পেসল ইকনমি জোন ৯ লীংগনি। অসিগুম্বা মখলগী অহানবা জোন অদু অথুবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা খায়বর পাক্তুনখ্বা প্রোভিন্সতা শঙ্গারগনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি মদুদি, সী পি ঈ সীগী অহানবা ফেজ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্দুনা, পৱার প্লান্টশিং শেমগত্তুনা অমসুং খাং নোংচুপ থংবা গ্বাদর হিথাংফম শেমগত্তুনা অমদি ওপরেস্নেলাইজ তৌদুনা মপুং ফানা অমসুং মায় পাক্লা লোইশিনবা ঙমখ্রে। হৌজিক অনীশুবা ফেজনা সোসল সেক্তর, এগ্রীকচর দিভলপমেন্ট অমসুং ইন্দষ্ট্রিএল কোওপরেসনগী লমশিংদা কোওপরেসন পীনবা য়াহল্লগনি।

মিনিষ্ট্রিনা সী পি ঈ সীনা শেন্দোল হেনগৎহল্লি হায়বা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিদিয়াগী মীওইশিংদা ময়েক শেংনা থম্লদুনা হায়খি মদুদি, সী পি ঈ সীনা পাকিষ্টান্দা চাংচৎতা চাদা ২.৩৪ গী ইন্টরেষ্ট রেটতা দোলর বিলিয়ন ৪.৯ খক্কী লোন ফংহনখি। অতৈ শেনফম অদুনা লৈবাক অসিদা ইনভেষ্ট তৌবনি। সী পি ঈ সীনা পাকিষ্টানগী ইকনমিদা পোৎলুম অমা থোনগৎলকখিবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং মসিনা লৈবাক অসিবু শেল-থুমগী ক্রাইসিসতগী কঞ্জনবা হোৎনবদা মতেং পাংলি হায়না মখা তাখি।